## জল জিবন মিশন

### নঙ ফাওদি য়াইহে

ওক্টোবর ১৫, ১৯৪৯দা মণিপুরনা লৈবাক অসিগী মনুং চন্দুনা মসিগী শরুক অমা ওইরক্লবনিনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লৈবাকসিগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদা লৈরিবা মীয়ামগীদমক চাওখৎ-থৌরাংগী থবকশিং- প্লান-প্রোজেক্ট, প্রোগ্রাম অমসুং স্কিমশিং হৌদোক্তুনা পায়খৎলকপদা মণিপুরগীসু অদুম্মক শরুক থুংদুনা লাকই। মসিদি হৌনবীনি। অনৌবা ৱাফম নত্তে। অদুগা ৱাফমসি অকক্নবা হীরম অমগী প্লান-প্রোজেক্টকী ৱাফমসু নত্তে। হায়বদি নেশনল ফূদ সিক্যুরিটি এক্ট (নফসা), মহাত্মা গান্ধী নেশনল রুরেল এমপ্লোইমেন্ট গরেন্টি এক্ট (এম জি নরেগা), প্রধান মন্ত্রি গ্রাম শড়ক য়োজনা (পি এম জি এস ৱাই) নচিংবা খক্তগী ৱাফম নত্তে। য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা লৈবাকসিগী মীয়ামগীনি হায়দুনা হৌদোরকপা থবক থৌরমশিংদা মণিপুরগী য়াওই। শরুক থুংলকই। অদুবু ফজখ্রবা, কান্নখ্রবা থৌরাং-থৌশিলশিংসিগী হৌদোরকফম ওইরিবা লৈবাকসিগী কোনুং দেল্লীদা লৈরিঙৈ হায়বদি লাপ্লিঙৈদনা লাই ওইবা অমসুং মানবা অদুগা দেল্লীদগীনা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদা লমথুংফম ওইরুনবা মখোঙ পান্দুনা চৎলকপদনা অতৈ ষ্টেটশিংগীদি খঙদে মণিপুরগীদি স্বাই য়ৌশিল্লকপদা য়োং হেক্তমক মাল্লিবসিবু করিগীনো? য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী ওফিশলশিংগী খূৎতা লৈরিঙৈদনা 'তুলসি' মনাদৌনা শেংবা, মণিপুর য়ৌশিল্লক্লগনা থৌরাং থৌশিলশিং অদুগী কান্নবা ফংগদৌরিবা মীয়ামদনা হূইগী অমাংবা খূৎপায়নরুবদৌনা হেক্তা থোকই হায়বনি। নফসাগীসু চেঙ মতম চানা চিংদে, টন মশীং শুদে অমসুং ফংফম থোক্লিবা মীয়াম্না চাং নাইনা ফংদে হায়বগী ৱাথোক্না পীক থল্লি। পি এম জি এস ৱাইগীসু লম্বী শেম্নবা সেন্টরনা চহী ৪গী মমাঙদা শেল পীরকখ্রবসু টেন্দর ফাওবা তৌদ্রি হায়না ওক্টোবর ১৬, ২০২৫দা বি জে পিগী এম এল এ অমনা মীয়াম তিনবা থৌরম অমদা ফোঙদোরকখি। থবক শুননবা কন্ট্রেক্টর খন্নবগী টেন্দর তৌদবদি লায়রদনা লম্বী শেমফম থোকপা অশাংবা পরিং য়ৌনা শেন্লমদ্রে, ক্বালিটি মেন্টেন তৌরমদ্রে, শুকশু শুদনা শেল লৌথোকখ্রে হায়বনচিংবা থৌদোকশিং থোরকপদগী মরী লৈনবা লৈঙাক্কী ওথোরিটিশিংদা ৱাকৎনরকপদগী হেন্দোরক্তুনা হায় কোর্টতা ৱাকৎনরকপা য়াওই। এম জি নরেগাগীসু জোব কার্দ পায়বশিংনা ফংজগদবা, ফংফম থোকপা খূৎশুমল ফংদ্রে, পীরবসু শুনা পীদ্রে, শেল ককথৎপীরে, কনা-কনানো মীওই খরনা লৌথোকপীখ্রে হায়বগী ৱাথোক-লান্থোকশিং হেক্তা থোকই। নফসা, পি এম জি এস ৱাই অমসুং এম জি নরেগা খক্তমক পনবগী ৱানি। মণিপুর য়ৌরকপদা শলাক-শাবা অতৈ সেন্টরনা স্পোন্সর তৌবা স্কিম অতৈসু লৈরি। পি এম এ ৱাই-হাউজিং ফোর ওলগী য়াওনা পি এম জে এ ৱাই হেল্থ স্কিমগীসু হৌজিক ফাওবা ৱাথোক ওইরি। য়ূম শাবগী পীফম থোকপা খুদোংচাবা ফংহনগদবা বেনিফিসরি খনবদগীনা ইন্সটোলমেন্ট বেসিসতা পীবগী থবক মতম চানা পাঙথোক্ত্রে হায়বগী ৱাকৎ লৈরি। পি এম জে এ ৱাইগীসু লায়েংমল পীদবদগী স্কিমসিগীদমক এম্পেনেল তৌরবা লায়েংশঙশিংনা অনাবা মশাদগী লায়েংমল লৌরগনি হায়রক্লিবনি।

পূম্নমকসিগী মথক্তা হৌজিক ফোং-ফোং শানা লৈবাক ৱাথোক ওইরক্লিবনা মীয়ামদা থক্নবা অফবা ঈশিং ফংহন্নবা হৌদোকখিবা 'জল জিবন মিশন' গী হিংজ্রোং-কায়জোংনবা ফীভমশিংসিনি। মিশনসি লৈবাকসিগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংগী রুরেল এরিয়াদা লৈবা য়ূমথোঙ খুদিংগী মীয়ামদা টেপ ৱাটর ফংহন্নবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ওগষ্ট ১৫, ২০১৯দা হৌদোকখিবনি। হৌদোরকপা মতমদা লুপা ক্রোর ২,০৮,৬৫২ কায়থোকখিবনি। মসিগী থবক-থৌরমশিংনা মিনিষ্ট্রি ওফ দ্রিঙ্কিং ৱাটর এন্দ সেনিটেশন অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ জল শক্তিগী মিৎয়েং মখাদা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংগী লৈঙাক্লা পাঙথোক্কদবনি। মিশন অসিগী পান্দমনা মমাঙ চহী ২০২৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবাকসিগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংগী রুরেল এরিয়াদা লৈবা মীওই পূম্নমক্তা থক্নবা অফবা ঈশিং পাইপকী খূথাংদা ফংহনবনি। অদুবু হৌজিক মণিপুরদা মিশন অসিগী ফীভম করি ওইরিবগে? ৱাহংসিগী পাউখুম কনানা পীরক্কদবনো? মিশনসিনা মণিপুর য়ৌশিল্লকপদা ওক্তুনা মসিগী থবকশিং পায়খৎলকখিবা মতমদুগী ষ্টেট লৈঙাক্কী লৈঙাক্লোইশিং অমসুং মখোয়গী মখাদা লৈখিবা ওথোরিটিশিংদুনা খুন্নক্কদ্রা নৎত্রগা ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৫দগী চলাইরক্লিবা প্রসিদেন্টস রুল লৈঙাকপু লুচিংলক্লিবা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা খুন্নকফম থোকপ্রা হায়বনি। অমনা ওইগেরা অমনা ওইগেরা মিশনসিগী মতাংদা ৱাথোক্না পীক থঞ্জিল্লক্লবনিনা খুন্নক্তবা য়ারোই। খুন্নকউ। মিশনসি হৌরকপদগীনা হৌজিক ফাওবদা ওইরিবা মশকশিং চপ চানা মীয়াম্না খঙননবা 'হ্বাইট পেপর' অমা ফাওবা পুথোরকউ। মিশনসিগী মতাংদা অচুম্বা-অশেংবশিংদু ঙানি-ঈশিংনি হায়দুনা ময়েক শেংনা তোঙান-তোঙান্না খঙবা ঙম্লবদি মরাল লৈবশিংদু চাকখুম অচৌবগী চাক-এঞ্জাং চাবা ফংহনবা য়াগদৌরিবনি। অদুবু লৈবাকসিগী মীয়ামগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোকপা মিশনসিবু মণিপুরদা ফৈজে চিংথোক্লিবা করিগীনো? মিশনসিগী মখাদা ঈশিং ফংহনগদবা মণিপুরগী রুরেল এরিয়াশিংদা মসিগী থবকশিং পায়খৎলবসু মপূং ফানা লোইশিন্দুনা ঈশিং পীদ্রিঙৈদা পীরে, য়ূমথোঙ অসুক্তা ফংহল্লে হায়বগী রিপোর্ট থাগৎলল্লিবসিবু মিশনসি ফৈজে চিংথোকপা নৎত্রিবরা? লৈবাক শিনবা থুংবগী ওইবা ফজখ্রবা থৌরাংসিবু মণিপুরদনা হুরান-চিন্থি অমসুং উৎ-পাৎকী থবকশিংনা পুময়োম য়োমশিলহল্লিবা করিগীনো? থবকসি খূৎপায়নবা মরী লৈনবা লোয়শঙগী ওফিশলশিং চেন্নব্রা অমসুং থবক ওইনা পাঙথোক্লিবা কন্ট্রেক্টরশিংগী মরাল ওইগদ্রা? ওফিশলশিং চেন্নরম্লগনা লৈঙাক্লা মখোয়দা পীবা থাগী খূৎশুমল হায়বদি তোলোপতুনা চরা নোংখন্নবদা কোন্নদবদগীরা অদুগা কন্ট্রেক্টরশিংনা ওইরগনা চরা হেনবা য়াওবদগীরা হায়বনি। মিশনসিগী ৱাথোকসি মচা নত্তে। এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা পিটিস্নর ওইদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেশন (পি আই এল) নম্বর ২৪ ওফ ২০২৫ ফাইল তৌরকখ্রবনি। চান্দেলগী তোঙান-তোঙানবা খুল ১২গী ভিলেজ চীফশিংনসু হায় কোর্টসিদা রিট পিটিশন (সিভিল) নম্বর ৮৪৪ ওফ ২০২৫ (অংসোন হুলাং এন্দ ১১ অদরস ভর্সেস ষ্টেট ওফ মণিপুর এন্দ ৪ অদরস) ফাইল তৌরকখ্রবনি। পূম্নমকসিগী মথক্তা ওক্টোবর ২৬, ২০২৫দা ক্ষেত্রিগাওগী মফম অমদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদদি 'রাজেন' কৌবা মীওই অমবু 'পম্প ওপরেটর' হাপচিল্লম্লবনিনা তোলোপ পীরো হায়দুনা থৌরকখ্রবনি। মরম অসিনা চেন্নবশিংদু মশোক লাক চবান থারগা য়াইফৌ ফৌরগা থুম চাইশিনবীবনা মতিক চাগদ্রা হংবনি।

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা' (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৬৯৪)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

পীথেৎ লৈমা লৈহৌ নিংথৌ চনু। মাইকৈ নোংপোক পাংবা লম। শেলবী তাঙশা লৈবাকতা। সনা খোঙদোই হুলনা হুয়েল লালদাবনে। শেনবী তাঙশা লম ও মিংকৌবদি। করি নোংদগীনো। নায়ুৱা নবুথৌ চীঙখোং পোইরৈতোলনা। সেলবী শিদা য়েল। কবো নাদা য়েল। লৈরিগবরা হায়না শেলবী কবো লম থাদোকনা। কোইনা থিনা লাংওললকপদা। মৈতৈ লৈমা লৈনাওতবীগা। শামু তাঙচা মমাই। মখোঙ মখূৎ পুমবা কবো শানা য়েকনা চৎলময়ে। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ' (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯶꯹꯴)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯝꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯛꯄꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯂꯒꯅꯤ꯫)

ꯄꯤꯊꯦꯠ ꯂꯩꯃꯥ ꯂꯩꯍꯧ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯆꯅꯨ꯫ ꯃꯥꯏꯀꯩ ꯅꯣꯡꯄꯣꯛ ꯄꯥꯡꯕꯥ ꯂꯝ꯫ ꯁꯦꯜꯕꯤ ꯇꯥꯡꯁꯥ ꯂꯩꯕꯥꯛꯇꯥ꯫ ꯁꯅꯥ ꯈꯣꯡꯗꯣꯏ ꯍꯨꯜꯂꯅꯥ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯗꯥꯕꯅꯦ꯫ ꯁꯦꯟꯕꯤ ꯇꯥꯡꯁꯥ ꯂꯝ ꯑꯣ ꯃꯤꯡꯀꯧꯕꯗꯤ꯫ ꯀꯔꯤ ꯅꯣꯡꯗꯒꯤꯅꯣ꯫ ꯅꯥꯌꯨꯕ ꯅꯕꯨꯊꯧ ꯆꯤꯡꯈꯣꯡ ꯄꯣꯏꯔꯦꯇꯣꯂꯅꯥ꯫ ꯁꯦꯜꯕꯤ ꯁꯤꯗꯥ ꯌꯦꯜ꯫ ꯀꯕꯣ ꯅꯥꯗꯥ ꯌꯦꯜ꯫ ꯂꯩꯔꯤꯒꯕꯔꯥ ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯁꯦꯜꯕꯤ ꯀꯕꯣ ꯂꯝ ꯊꯥꯗꯣꯛꯅꯥ꯫ ꯀꯣꯏꯅꯥ ꯊꯤꯅꯥ ꯂꯥꯡꯑꯣꯜꯂꯛꯄꯗꯥ꯫ ꯃꯩꯇꯩ ꯂꯩꯃꯥ ꯂꯩꯅꯥꯑꯣꯇꯕꯤꯒꯥ꯫ ꯁꯥꯃꯨ ꯇꯥꯡꯆꯥ ꯃꯃꯥꯏ꯫ ꯃꯈꯣꯡ ꯃꯈꯨꯠ ꯄꯨꯝꯕꯥ ꯀꯕꯣ ꯁꯥꯅꯥ ꯌꯦꯛꯅꯥ ꯆꯠꯂꯃꯌꯦ꯫ ●


# খূৎশেমগী ইলেক্ট্রোনিক আইনা উরমদ্রবা পোৎশিংবু উহনবা



সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম

পোকপদগী শাগোন্নরক্তুনা মিৎ তাংবা নত্তবা, লায়না নৎত্রগা দিজেনরেটিভ দিজিজনা মরম ওইদুনা মিৎ উরক্তবা হায়বসি হেক হেক থোকপা থৌওং অমনি। মখোয়সিগী মনুংদা 'জিওগ্রাফিক এট্রোফি' (জি এ) হায়না খঙনবা দ্রাই এজ-রিলেটেদ মক্যুলর দিজেনরেশন (এ এম দি) অসিসু অমনি। মসি রেতিনাদা য়াওরিবা লাইট-সেন্সিটিভ সেলশিংনা শিরকপদগী ওইরকই। মসিনা মরম ওইরগা মশেন-মরাং উবা, ইবা-পাবা নৎত্রগা অতোপ্পা মীশিংগী মায়থোঙবু মশক খঙবা ঙম্লক্তবা য়াই। এ এম দিনা নারকপা য়াবগী চাংসি চহী ৬০ শুরবা মতুংদা হেনগৎলকই। মপা-মপুশিংদা লায়নাসিনা নাখ্রবদি মচা-মশুশিংদা নাবা য়াবগী চাংসি ৱাংই হায়বদি মসি হেরিদিটিগসু মরী লৈনৈ। অতোপ্পা অমরোমদনা, লায়নাসি চুরুট থকপা মীশিংদা নারকপা য়াবগী চাং হেল্লি। কা হেন্না নোইবা, মচল শুনা য়াওবা চীঞ্জাক চাবগী চাং হন্থবা, হকচাং শাজেল/থবক শুবগী চাং হন্থবা মীশিংদা হেন্না নারকপা য়াবগী ওইথোকপসু লৈ হায়না অখঙ-অহৈশিংনা মত পীরি।



মাইক্রোচিপ হাপত্রিবা মিৎ (ওই), মাইক্রোচিপ হাপ্লবা মিৎ (য়েৎ)

জিওগ্রাফিক এট্রোফি নৎত্রগা এ এম দিগী চপ চাবা লায়েং হৌজিক পুথোকপা ঙমদ্রি, অদুবু লম্সিদা থিজিনবগী থবক্তি কন্না পায়খৎনরি। 'দ ন্যু ইংলেন্দ জর্নেল ওফ মেদিসিন' (ওক্টোবর ১৯, ২০২৫) দা ফোঙদোরকখিবা পাউদম অমগী মতুংইন্না য়ুনিভর্সিটি কোলেজ লন্দন (য়ু সী এল) অমসুং Moorfields Eye Hospital না লুচিংবা থিজিন লূপ অমনা পুথোকপা ইলেক্ট্রোনিক আইগী মতেংনা লায়নাসিনা নারবা মিৎশিংনা ময়েক, মশীং অমসুং ৱাহৈশিংবু পাবা ঙমহল্লে হায়রি।

লূপসিনা পাঙথোকখিবা ক্লিনিকল ট্রাইএল অমদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা 'ষ্টেন্দর্দ ভিজন চার্ট' অমগী পরেং মঙা পাবা ঙমখি। অসিগুম্বা খূৎশেমগী মিৎ অসি হাপত্রিঙৈদদি মীওইশিংদুনা চার্ট অদু ফাওবা উবা ঙমখিদে হায়রি। মুরফিল্ডস আই হোস্পিটাল য়াওনা য়ুরোপকী হোস্পিটাল ১৭তগী পার্টিসিপেন্ট ৩৮না শরুক য়াখিবা ক্লিনিকল ট্রাইএল অদুদা PRIMA হায়না খঙনবা মাইক্রোচিপ অসিবু সেন্ট্রেল ভিজন লৈত্রবা মীশিংগী রেটিনাদা ইমপ্লান্ট তৌদুনা চাং য়েংখি। ট্রাইএল অদুদা য়াওখিবা মীওই খুদিংমক্কী ওই নৎত্রগা য়েৎকী মিৎ নাম্মদি সেন্ট্রেল ভিজন মপূং ফানা লৈত্রবশিংনি।

দ্রাই এ এম দি হায়বসি ময়েক শেংলবা সেন্ট্রেল ভিজন পীরিবা রেটিনাগী মক্যুলাদা য়াওরিবা লাইট সেন্সিটিভ সেলশিংনা তপ্না-তপ্না মথৌ তৌরক্তবদগী ওইরকই। কুইশিল্লক্লগা লাইট-সেন্সিটিভ ওইবা রেটিনাগী সেলশিং শোকচিল্লকই অদুগা শিখি। অদুনা মশেন-মরাং উরকই অমসুং মমৈথংদা মিৎ উরক্তে। লায়নাসিগী লোইশিল্লকপা তাঙ্কক্তা সেন্ট্রেল মক্যুলাসি মপূং ফানা শিথরকই। মালেমদা লৈরিবা মীওই মিলিয়ন ৫ মুক্তা জি এনা নাহল্লি হায়না পানৈ।

ট্রাইএল অসিদা য়াওখিবা অনাবা পূম্নমক্কী শোক্লবা মিৎকী সেন্ট্রেল ভিজনশিং লৈত্রে, অদুবু পেরিফরল ভিজনশিংদি লৈরম্মী।

থিজিন-লূপ অসিবু লুচিংখিবা য়ু সী এল ইন্সটিট্যুট ওফ ওপথালমোলোজি অমসুং মুরফিল্ডস আই হোস্পিটালগী সিনিয়র ভিত্রিওরেটিনল কন্সলটেন্ট Mr. Mahi Muqit না হায়, "আর্টিফিশল আইগী পুৱারীদা ঐখোয়গী PRIMA না অনৌবা চেনা অমা হাংদোকপা ঙল্লে। মমিৎ উদ্রবশিংগী সেন্ট্রেল ভিজনবু হান্নগী ফীভমদা হঞ্জিনহনবা ঙল্লে। মসি অতোপ্পা থিজিন-লূপশিংনা পাঙথোকপা ঙমখিদ্রি। মসি ট্রেইন তৌরবা ভিত্রিওরেটিনল সর্জন অমনা পুং অনীগী মনুংদা হাপচিনবা ঙম্মী'।

প্রিমা হাপচিনবগী থৌওংসিদা vitrectomy চঙই। ভিত্রেক্টোমি পাঙথোকপা মতমদা মিৎকী লেন্স অমসুং রেটিনাগী মরক্তা লৈরিবা নেচরল জেল অসি লৌথোকই। সজ'ন অদুনা 'মিলিমিটর ২ x মিলিমিটর ২' মুক পাক চাউবা, য়াম্না পাবা মাইক্রোচিপ অমা সেন্ট্রেল রেটিনাগী সবরেটিনল লেয়রদা হাপচিল্লি। সজ'রি লোইরবা মতুংদা মীওই অদুনা অপীকপা কম্প্যুটর অমগা শাম্ন রিবা, ভিদিও কেমেরা অমা য়াওরবা রিঅলিটি গ্লাসশিং আনোককুম্না উপ্পী। অপীকপা কম্প্যুটরসি খ্বাংদা পেটিগুম্না ফাজিল্লি। আনোক্তা হাপ্লিবা জুম ফিচর য়াওরবা কেমেরা অসিনা মাঙদা লৈরিবা পোৎশিংগী ভিদিও কাপ্পী অদুগা রেটিনাদা হাপচিনখিবা মাইক্রোচিপ অদুদা সিগ্নেল ওইনা থাখি। অসুম্না থাখ্রিবা সিগ্নেল অসিনা থোপ য়ৌখি, অদুগা থোপ্না সিগ্নেলশিং অদুবু ভিদিও/মমি ওইনা উহল্লি।

ওপরেশন তৌরবা মতুং থামুক লৈরগা, মীৎকী ফীভমদুনা হান্নগী ফীভমদা লাক্লবা মতমদা চিপ অদু মথৌ তৌবা হৌরকই। আনোকতা য়াওরিবা ভিদিও কেমেরা অদুনা মাঙদা লৈরিবা পোৎশিংগী মমিদু ইনফ্রারেদ রে ওইনা চিপ্তা থারকই অদুগা এক্টিভেট তৌই। অপীকপা কম্প্যুটর অদুনা আর্টিফিসল ইন্টেলিজেন্স (এ আই) অলগোরিদম্না ইনফোর্মেশন অদুবু প্রোসেস তৌই অদুগা ইলেক্ট্রিকল সিগ্নেলদা ওন্থোকই। সিগ্নেল অসিনা রেটিনা অমসুং ওপ্টিকল নর্ভ সেলশিং ফাওরগা চৎখিদুনা থোপ য়ৌরকই অদুগা ভিজন ওইনা উহল্লি।

রেটিনাদা হাপচিনখ্রিবা চিপ অসি নিয়র-ইনফ্রারেদ লাইটপু প্রোজেক্ট তৌবা ঙম্বা অখন্নবা গ্লাসশিংগা লোয়ননা ৱায়রলেস সবরেটিনল ফোটোভোলটিক ইমপ্লান্ট অমনি। মসিগী থাবগী চাংসি চাওরাক্লা শম্না অমগী দাইএমিটরগী তঙ্খাইমুক, হায়বদি মাইক্রোমিটর/মাইক্রোন ৩০ মুক ওই। ভিদিও কেমেরাদা য়াওরিবা জুম ফিচর অসিনা মীওইদুগী মাঙদা লৈরিবা ময়েকশিংদু চাউথোকহনবা ঙম্মী। আনোককী গ্লাস অমসুং খ্বাংদা ফাজিল্লিবা কম্প্যুটর অদুনা 'ওন' তৌদ্রিবা ফাওবদি ইমপ্লান্ট অদুগী থোপ্তা থাখিনবা ভিজুএল ষ্টিম্যুলস নৎত্রগা সিগ্নেল লৈতে।

ক্লিনিকল ট্রাইএল অসিদা শরুক য়াখিবা Sheila Irvine না অসুম্না ফোঙদোক্লি, "... ইমপ্লান্ট অসি হাপচিন্দ্রিঙৈগী মমাঙদদি ঐগী মিৎ অনীগী মাঙদা অমুবা দিস্ক অনী লৈবগুম তৌখি, অদুগা মতাইরোমদা লৈরিবা পোৎশিংসিনা ফীভম কায়না উরম্মী। ঐ লাইরিক য়াম্না পাগনবা মীনি, অদুগা উরুদ্রবা ময়েকশিংবু উবা ঙম্লকপসিদা হায়নীংঙাই লৈতনা নুংঙাইবা ফাওই..."। ●

# ব্রেষ্ট কেন্সরনা নাবগী চাং ৱাংখৎলকপগা, পর্মনেন্ট হেয়র দাই অমসুং ষ্ট্রেইটনরশিং শীজিন্নবগা মরী লৈনৈ : ষ্টদি

- নোঙথাঙ লৈমা -

পর্মনেন্ট হেয়র দাই অমসুং কেমিকেল হেয়র ষ্ট্রেইটনর শীজিন্নবা নুপীশিংনা অসিগুম্বা পোৎশকশিং অসি শীজিন্নদবা নুপীশিংদগী ব্রেষ্ট কেন্সরনা নারকপা য়াবগী চাং ৱাংবা হেল্লি হায়বা ৱাফম অমা নেশনল ইন্সটিট্যুট ওফ হেল্থ (এন আই ঐচ) কী সাইনিটষ্টশিংনা থেংনরে। **ইন্টরনেশনল জর্নেল ওফ কেন্সর**না হৌখিবা কুমজা ২০১৯গী দিসেম্বর ৪দা ফোঙদোকখিবা ষ্টদি অমনা, অসিগুম্বা শমগী কেমিকেল প্রদক্টশিং অসি য়াম্না তোয়না শীজিন্নরবদি ব্রেষ্ট কেন্সরনা নারকপা য়াবগী খুদোংথীবা হেনগৎহল্লি হায়রি।



এন আই ঐচকী কয়াৎ অমা ওইরিবা নেশনল ইন্সটিট্যুট ওফ ইনভাইরনমেন্টেল হেল্থ সাইন্সেস (এন আই ঈ ঐচ এস) কী থিজিল্লোইশিংনা সিষ্টর ষ্টদি হায়না মিংথোন্দুনা পাঙথোকপা থিজিনবগী থবক অমদা শরুক য়ারিবা নুপী ৪৬,৭০৯গী দাটা শীজিন্নদুনা য়েংবদা, ষ্টদি অসিদা মমিং চন্দ্রিঙৈ মমাঙগী চহী অদুদা পার্মনেন্ট হেয়র দাই চাং নাইনা শীজিন্নবা নুপীশিং অসি হেয়র দাই শীজিন্নখিদবা নুপীশিংদগী ব্রেষ্ট কেন্সর নারকপা য়াবগী চাং চাদা ৯ হেল্লি হায়বসি থেংনখি। চয়োল মঙাদগী নিপান খূদীংগী নৎত্রগা হেন্না তোয়না পর্মনেন্ট হেয়র দাই শীজিন্নবা আফ্রিকান-অমেরিকান নুপীশিং অসি, কুচু ঙৌবা নুপীশিংগা চাংদম্নবদা (চাদা ৮), চাদা ৬০ ব্রেষ্ট কেন্সরনা নারকপা য়াবগী খুদোংথীবা হেল্লি। সেমি-পার্মনেন্ট নৎত্রগা টেম্পররি দাই শীজিন্নবশিংগীদি, থিজিল্লোই কাঙবু অসিনা ব্রেষ্ট কেন্সরনা নারকপা য়াবগী খুদোংথীবা থেংনবা তৌখিদে।

ষ্টদি অসিগী অইবী অমসুং এন আই ঈ ঐচ এস ইনভাইরনমেন্ট এন্দ কেন্সর ইপিদেমিওলোজি গ্রুপকী লুচিংবী এলেকজান্দ্রা হ্বাইট, পি ঐচ দিনা হায়, "থিজিল্লোইশিংনা মতম কয়াগী মমাঙদগী হেয়র দাই অমসুং কেন্সর অনীগী মরক্তা লৈরম্বা য়াবা মরী অদুগী মতাংদা নৈনদুনা লাকখি, অদুবু মদুদা ফংলিবা রিজল্টশিং অদু মপূং ফাখিদে। ঐখোয়গী ষ্টদি অসিদদি হেয়র দাই শীজিন্নবগা মরী লৈননা ব্রেষ্ট কেন্সরনা নাবা হেনগৎলকপগী খুদোংথীবা অমা ঐখোয়না উবা ফংলে অমসুং থৌওং অসি আফ্রিকান-আমেরিকান নুপীশিং, মরু ওইনা য়াম্না তোয়না শীজিন্নবা মীওইশিংগী মরক্তা থেংনৈ।"

অতোপ্পা য়াম্না নুংনাংনীঙাই ওইবা ফাইন্দিং অমনা কেমিকেল হেয়র ষ্ট্রেইটনরশিং শীজিন্নবগা ব্রেষ্ট কেন্সরগা মরী লৈনরম্বা অসিনি। ডা. হ্বাইট অমসুং মহাক্কী মপাংশিংনা য়ামদ্রবদা চয়োল মঙাদগী নিপান খূদীংগী ওইনা হেয়র ষ্ট্রেইটনর শীজিন্নবা নুপীশিং অসি ব্রেষ্ট কেন্সরনা নারকপা য়াবগী চাং চাদা ৩০ হেল্লি হায়বসি থেংনখি। আফ্রিকান-আমেরিকান অমসুং কুচু ঙৌবী নুপী অনীগী মরক্তা ষ্ট্রেইটনর শীজিন্নবা অমদি ব্রেষ্ট কেন্সরনা নাবগী মওং অসি মান্নৈ, আফ্রিকান-আমেরিকান নুপীশিংগী মরক্তনা ষ্ট্রেইটনর শীজিন্নবা হেল্লি।

ষ্টদি অসি পূন্না ইমিন্নবা এন আই ঈ ঐচ এম ইপিদেমিওলোজি ব্রাঞ্চকী চীফ দেল সেন্দলর পি ঐচ দিনা, কেমিকেল ষ্ট্রেইটনরশিংগা ব্রেষ্ট কেন্সরগা মরী লৈনৈ হায়বসি উৎপা খুদম খরা মাঙজৌননা ফংবা তারবসু হায়রিবা রিজল্টশিং মখা তানা অতোপ্পা ষ্টদিশিংদা নৈনবা মথৌ তারি হায়না ফোঙদোরক্লি।

নুপী ওইবীশিংনা মখোয়গী শম অসি মচু শঙবা নৎত্রগা ষ্ট্রেইটনিং তৌদুনা চপ তিংনা লৈহন্নবা হোৎনবা অসি তৌদবনা ফরব্রা হায়বা ৱাহংদা সেন্দলরনা হায়, "ব্রেষ্ট কেন্সরনা নাহল্লকপা য়াবা মরু ওইবা ৱাফম কয়ামরুম ঐখোয়না থেংনরে অমসুং শুপ্নগী মরম অমখক্তংনা নুপী ওইবী অমগী খুদোংথীবা অদু থোকহনবনি হায়না লৌবা লানগনি। অদুবু চপ চাবা রেকোম্মেন্দেশন অমা পুথোকপগী মতম য়াম্না ঙনমনবা তারবসু, অসিগুম্বা কেমিকেলশিং অসিবু শীজিন্নদবা হায়বসিনা ব্রেষ্ট কেন্সরগী খুদোংথীবা হন্থহন্নবগীদমক্তা নুপীনা তৌবা য়াবা থবকশিং অদুগী মনুংদা অমা ওইবা য়াই।" ●

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১২৪গী ৱাহং**

১) "লৈমন চল্লবী গুলাপ" হায়বা ৱারীমচা অসি ৱারীমচাগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসি কনানো?

২) "বিলাশিনি" (১৯৭৮) হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৩) "সনা পেতু পিয়াইনো" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্লি। অইবগী মমিং হায়য়ু।

৪) "শুক্লা মল্লি; কোয়না য়েংখিবদা, অথাপ্পদা অহাংবদা তন্দন অমফাওবা পাইদে। ... শমিন মচেৎ অমত্তা ফংদে।"

ৱাহৈ পরেং অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী অহৌবদা য়াওবা ৱাহৈ পরেংনি। মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অসিগী মমিং ইয়ু। ট্রান্সলেটর অসি কনানো?

৫) "অৱাবৈ হৌরকফমদি নুংঙাইরুবনি
পিরাংগী হৌরকফম্না নুংশিরুবনি
কায়নবৈ হৌরকফম্না থাজরুবনি
নীংবা কায়বৈ হৌরকফম্না নীংশিংলুবননি।"

ঈশৈ শৈরেং মতেক অসি য়াওরিবা লাইরিক অসিগী মমিং করিনো? লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।